# অমিত শাহনা এন ঈ ষ্টেটশিংগী সি এমগা উন্নদুনা ৱারী শাগদৌরি

গুৱাহাটি, জুন ০৩ (এজেন্সী):

জুলাই থাদা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ মেঘলয়াদা ভিজিট তৌরগদৌরি। মহাক্কী ভিজিট অসিগা মরী লৈননা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টরশিংগা উন্নদুনা অরুবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ঙসি ন্যু দেল্লীদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অমিত শাহ লাক্লিবা জুলাই থাদা শিলোংদা ভিজিট তৌরবা য়ানা লৈরি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নগদৌরি। মরু ওইনা ঈশিং ঈচাও, লোনা য়াদবা মওংদা ষণ লল্লোনবা অমদি নোর্থ ইষ্টতা দ্রগ শীজিন্নবা অমদি য়োনবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা খন্নগনি।

নুমিৎ হুমনিগী খোঙচত্তা ন্যু দেল্লীদা লৈরিবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অসামগী হোজাইদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা মথৌ তৌখিবা ডোক্তর অমবু তমথিনা ফুৱদা চেন্নবা মীওইশিং পুলিসনা ফাগৎলে অমদি অথুবা মতমদা মখোয়গী মথক্তা চার্জ সিট ফাইল তৌরগনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং মরালগী মতুং ইন্না চপ চাবা চৈরাক পীনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অসাম লৈঙাক্তা মে থাগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ১৩ খূৎশিন্নরকখি। অদুগা জুন থাগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ১৯ খূৎশিন্নরকখ্রে। জুলাইদগী হৌরগা অসাম গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ৩০ দগী ৩৫ ফাওবা সেন্তরদগী ফংলবা য়ানা লৈরি।



কৈরাও এ সীগী ক্যামগৈ গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা ক্যামগৈ অৱাং লৈকায় অমদি মনিং লৈকায়দা লৈরিবা মীওইশিংদা মরী লৈনবশিংনা পি এম জি কে ৱাই অমসুং এন এফ এস এগী মখাদা পীগদবা চেঙ কিজি ৫ গী মহুত্তা কিজি ৩ খক্তমক পীরিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা

# অরুনাচল প্রদেশকী নহা ওইরিবী প্রোফেসর অমা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি বোম্বেগী ফেকলটিদা য়াওরগনি

ইটানগর, জুন ০৩ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশকী ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্ততগী হৌরকখিবা নহা ওইরিবী প্রোফেসর অমা ইন্দিয়ানইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি) বোম্বেগী ফেকলটি মেম্বর ওইরগনি। হন্দক্তা আই আই টি বোম্বেগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী ফমগীদমক খল্লক্লবা পিনোং ইরিংবু শগোলশেন নুমিত্তা অরুনাচল প্রদেশকী দিপুটি চীফ মিনষ্টর চাওনা মাইননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে।

দিপুটি সী এমনা ত্বিট অমদা ইরিংবু লেমজ নিংঙাই ওইরবা লৈবাক অসিগী ইন্সটিট্যুট অমগী প্রোফেসর অমা ওইনা খল্লক্লিবা অসি এদ্যুকেসন অমসুং রিসার্চকী লমদা ষ্টেট অসিগী নহা খুদিংমক্না মতৌ তমজনিংঙাই ওইরে। ইরিং অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদগী সিভিল ইঞ্জিন্নিয়ারিংদা বি টেক দিগ্রি ফংখি। মদুগী মতুংদা মহাক বেঙ্গলুরুদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সতা পোষ্ট গ্রেজুয়েসন লোয়শিনবগা লোয়ননা জিও টেক্নিকেল ইঞ্জিন্নিয়ারিংদা পি এচ দি তৌখি।

অরুনাচল প্রদেশকী ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্তগী হৌরকখিবী নহা ওইরিবী ইরিং লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুট অমদা থবক তৌবগী খুদোংচাবা ফংবা ষ্টেট অসিগী অতাঙবা মচা অমনি।

# ‘করবি পিছ একোর্দ মথং চয়োলদা খূৎয়েক পীনরবা য়াই’



গুৱাহাটি, জুন ০৩ (এজেন্সী):

মথং চয়োলদা করবি লালহৌবা গ্রুপশিংগা পিছ ত্রিটি অমা খূৎয়েক পীনরবা য়াই হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর মিহন্ত বিস্ব সর্মানা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দেল্লীদা লৈবা অসাম ভবনদা পাঙথোকপা মীদিয়াকনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা সর্মনা হায়খি, মহাক্না ইশ্যু অসি নেস্নেল কেপিটেলগী খোঙচত্তা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অমসুং ইন্তলিজেন্স ব্যুরো (আই বি) গা খন্নখ্রে। সর্মনা হায়, অসাম গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱারেপ অমা লৌখ্রে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা খূৎলাই থাদোকখিবা লালহৌবা গ্রুপশিংগা অরোইবা রাউন্দগী ৱারী শান্নগদবদা ঙাইরে। মরম অদুনা করবি পিছ একোর্দ অসি মথং চয়োলগী নুমিৎ অমদা হেক্তা খূৎয়েক পীনরবা য়াই। পিপলস দিমোক্রেটিক কাউন্সিল ওফ করবি লোংগ্রি (পি দি সি কে), কারবি লোংগ্রি এন সী হিলস লিবরেসন ফ্রন্ট (কে এল এন এল এফ) কারবি পিপলস লিবরেসন টাইগর (কে পি এল টি), কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (কে এল এফ) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস লিবরেসন আর্মী (য়ু পি এল এ) হায়রিবা করবি লালহৌবা গ্রুপ ৫ অসিগী রেবেল লীশিং অমা হেন্না চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা সরেন্দরগী থৌরম অমদা খূৎলাই থাদোকখি।

য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম-ইন্দিপেন্দেন্ট (উলফা-আই) গা পিছ টোল্ক চথবা য়াবগী ওইথোকপা লৈব্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি গ্রুপ অসিনা সোভরেন ষ্টেট অমা দিমান্দ তৌরবসু অসিগী সোভরেন্টিদা অকায়বা পীগদবা অমত্তা তৌবা য়াদবনা আউট ফিট অসিগা ৱারী শান্নবা য়ানবগীদমক্তা ময়াই ওইবা লম্বী অমা পুথোকপা মথৌ তারি।

ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টটেভশিং ওইনা মিনিষ্টরশিংনা ইন্দিয়াগী সোভরেন্টি ঙাক্লনবা ৱাশক্লিবনি। মসিবু কমপ্রোমাইজ তৌবা হায়বসি য়ারোই। মরম অদুনা উলফা-আইনা পাল্লিবা সোভরেন ষ্টেটকী ৱাফম অসি ৱারী শান্নবদা য়াওরোই হায়না সর্মানা মখা তাখি।

# প্রোটোকোল ঙাক্তবদগী দুকানশিং থিংজিনখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ০৩ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ গী প্রোটোকোলশিং ঙাক্তবগীদমক্তা দুব্রি টাউনদা লৈরিবা দুকান কয়া ওথোরিটিশিংনা থিংজিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেসনগী টিম অমনা টাউন অদুগী মফম কয়াদা চত্তুনা য়েংশিনবদা দুকান কয়া কোরোনা ভাইরস লাকশিন্নবগী এস ও পিশিং ঙাক্লমদবা থেংনখি অমসুং মখোয়বু থোঙ লোলহনখি।

নৌনা ওফিস পায়রকখিবা দুব্রিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার অন্বামুতন এম পিনা মহাক্কী ওফিসলশিংদা কোভিদ-১৯ গী নোর্মশিং থুগাইবগী মায়োক্তা অকন্নবা এক্সন লৌখৎনবা ইন্সত্রক্সন পীখি। ওফিসলশিংনা মীয়ামদা দুকানদগী পোৎ লৈবা লাকপা মতমদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং মেন্তেল তৌনবা অমসুং মাস্ক শুংশোই শোয়দনা উপ্পবা খঙহনখি। অথিংবা থম্বা লৈনা লৈনা দুব্রি টাউনগী মার্কেট এরিয়াগী অকোয়বদা মীয়াম্না চয়োম শানা পুল্লম্বা উবদা ওফিসলশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

# হোস্পিটালদা অমাং অতা থোকহনখিবগী মায়োক্তা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা মথৌ লেপ্লগা খোঙজং চঙশিনখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ০৩ (এজেন্সী):

অসামগী মারিয়ানি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা কাকাজান টি ইষ্টেটতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা ঙরাং নুমিদাং টি ৱার্করশিংনা থোমজিল্লক্তুনা হোস্পিটালগী শরুক খরা অমাং অতা থোকহনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হোস্পিটাল অদুগী ডোক্তর অমসুং ষ্টাফশিংনা মশাগী মথৌ লেপ্লগা খোঙজং চঙশিনখি।

হোস্পিটাল অদুগী নর্স অমনা ফোঙদোরকখিবদা ঙরাং নুমিদাং টি ৱার্করশিংনা থোমজিল্লকখিবা অদু ভিলেজ দিফেন্স পার্টি, পুলিস অমসুং ওল টি ত্রাইবস ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনা মতম চানা কন্ত্রোল তৌখিবদগী কা হেন্না অমাং অতা থোকখিদে। অদুমওইমক ডোক্তরশিংনা মথৌ তৌরিঙৈদা অকি অখং পোকহনবা য়াবা থবকশিং চথুরকপা অসি অফবা নত্তে।

থোকখ্রিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল অদুদা লৈরিবা নর্স অমসুং ডোক্তরশিং অকিবা ফাওনরে অমদি মখা তানা হোস্পিটাল অদুদা লৈরগা মথৌ তৌনিংদ্রে হায়রি।




হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট অমা অসামগী হোজাই দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা ইদালি মোদেল হোস্পিটালদা লৈখিদবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নহা ওইরিবা ডোক্তর অমা তমথিনা ফুবিখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা হোস্পিটালগী ইমপ্লোয়ীশিংনা মরী লৈনবশিংদা মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা খঙহনখি।

হোজাইদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মান্নবা মওংদা ঙরাং নুমিদাং কাকাজান টি ইষ্টেটকী মনুং চন্না লৈবা রাজু রোবিদাস কৌবা মীওই অমা হোস্পিটালদা ফীভম লুনা পুখৎলকখি। হোস্পিটাল য়ৌরকপা মতমদা মীওই অদু শিরে হায়না ডোক্তরশিংনা ফোঙদোরকখি।

রোবিদাস শিরে হায়না ডোক্তরশিংনা খঙহৌদনা ফোঙদোরকখিবা অদুদা খোয়শাওনরবা টি ৱার্করশিং অদুনা হোস্পিটাল অদুদা থোমজিল্লক্তুনা অমাং অতা খরা থোকহনখিবগা লোয়ননা ডোক্তর অমসুং মেদিকেল ষ্টাফশিংদা কিহন খঙহনবগী থৌদোকশিং চথুখিবনি হায়রি।

# তোঙ্গাওগী ৱারী




## ৚ EMPLOYMENT NEWS

DSSSB Recruitment 2021 Apply Online for Teacher and Non Teaching Posts: IndGovtJobs.in updates all latest DSSSB advertisements and upcoming Vacancy notifications in this page.Government of NCT of Delhi, Delhi Subordinate Services Selection Board (DSSSB) invites online applications for recruitment of Trained Graduate Teachers, Assistant Teachers, Junior Secretariat Assistant, Counsellor, head Clerk and Patwari under different departments under Govt. of NCT of Delhi. The DSSSB Advertisement Number 02/2021 online registration will be start from 25th May 2021 and scheduled to be held on 24th June 2021.

ADVERTISEMENT NO. 02/2021

Name of the Post
Total Vacancies
Trained Graduate Teacher (Hindi) (Female) in Directorate of Education
551
Trained Graduate Teacher (Hindi) (Male) in Directorate of Education
556
Trained Graduate Teacher (Natural Science) (Male) in Directorate of Education
1040
Trained Graduate Teacher (Natural Science) (Female) in Directorate of Education
824
Trained Graduate Teacher (Maths) (Female) in Directorate of Education
1167
Trained Graduate Teacher (Maths) (Male) in Directorate of Education
988
Trained Graduate Teacher (Social Science) (Male) in Directorate of Education
469
Trained Graduate Teacher (Social Science) (Female) in Directorate of Education
662
Trained Graduate Teacher (Bengali) (Male) in Directorate of Education
01
Assistant Teacher (Primary) in Directorate of Education
434
Assistant Teacher (Nursery) in Directorate of Education
74
Junior Secretariat Assistant (LDC) in Municipal Corporation of Delhi
278
Counselor in Department of Women & Child Development
50
Head Clerk in Delhi Urban Shelter Improvement Board
12
Assistant Teacher (Primary) in New Delhi Municipal Council
120
Patwari in Delhi Urban Shelter Improvement Board
10

Age Limit:
Trained Graduate Teachers: Below 32 years
Assistant Teachers: Not exceeding 30 years
Junior Secretariat Assistant: 18 - 27 years
Counselor: Not exceeding 30 years
Head Clerk: Not exceeding 30 years
Assistant Teacher: Not exceeding 30 years
Patwari: 21 - 27 years

Pay Scales:
Trained Graduate Teachers: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4600/-
Assistant Teachers: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Junior Secretariat Assistant: Rs 5200 - 20200 + GP Rs 1900/-
Counselor: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Head Clerk: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4600/-
Assistant Teacher: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Patwari: Rs 5200 - 20200 + GP Rs 2000/-

Educational Qualifications:
Trained Graduate Teachers: Bachelor's Degree / BA or equivalent qualification in required relevant subjects with 45% marks in aggregate.
Assistant Teachers (Nursery): Senior Secondary School (12th Class) or Intermediate or its equivalent qualification pass with atleast 45% marks. Diploma certificate in Nursery Teacher Education Programme or B.Ed. in Nursery.
Junior Secretariat Assistant: Matriculation / 10th class / Secondary School exam Pass. Ability to type at a speed of not less than 35 words per minute in English or 30 words per minute in Hindi on Computer.
Counselor: Bachelor's Degree in Psychology / Applied Psychology. Post Graduate Diploma in Counseling Psychology. Minimum 01 years experience (OR) Post Graduate in Psychology / Counseling Psychology / Clinical psychology / Applied Psychology.
Head Clerk: Bachelor's Degree. Computer Proficiency.
Assistant Teacher (Primary): Senior Secondary or its equivalent qualification with at least 50% marks. Minimum 02 years Diploma in Elementary Education (OR) Senior Secondary or its equivalent qualification with at least 43% marks. Minimum 02 years Diploma in Elementary Education.
Patwari: Bachelor's Degree or equivalent qualification.

Selection Process:
One Tier Examination
Two Tier Examination

Examination Fee:
100/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST, PWD and Ex-servicemen candidates.
The candidates submitting their application online should pay the requisite fee only through SBI e-pay.

How to Apply: Eligible Interested candidates must apply online through DSSSB Delhi Online Application Portal (dsssbonline.nic.in) from 25th May 2021. The last date for submission of online application is up to 24/06/2021 till 11:59 PM.

---

PSTCL Recruitment 2021: Punjab State Transmission Corporation Limited (PSTCL), Patiala invites online applications for recruitment of Architect, Assistant Lineman (ALM) and Assistant Sub Station Attendant (ASSA). Eligible candidates apply online through www.pstcl.org from 20th May 2021 to 11th June 2021.

Name of Post
Total Vacancies
Assistant Lineman (A.L.M.)
350
Assistant Sub Station Attendant (ASSA)
150
Architect
01

Age Limit: [As on 1st January 2021]
20 to 37 years for Architect.
18 to 37 years for ALM and ASSA.
Age Relaxation as per Govt. rules.
Pay Scale: As per PSTCL Rules.


Educational Qualification and Experience:
Architect: Bachelor's Degree or equivalent Diploma in Architecture or its equivalent qualification. Minimum 05 years experience in the filed on Architecture after degree or diploma.
Assistant Lineman / ASSA: Punjabi Pass of Matriculation or its equivalent level. Full time Regular ITI in electrician / wiremen trade.

Application Fee:
Rs. 480/- for SC and EWS category candidates.
Rs. 600/- for Person with Disability
Rs. 1200/- for all other category candidates.
The candidate is required to deposit the fee separately for each post applied for.

Selection Process:
Online Test (100 Objective type questions)
The Test is tentative scheduled to be held in the month of June / July in all districts of Punjab including UT Chandigarh.

How to Apply: Eligible candidates are advised to apply online through PSTCL Recruitment portal (recruitment.pstcl.org) from 20th May 2021. The last date for registration of online applications is 11/06/2021 up to 5:00 PM.

## CROSSWORD-3799



**ACROSS**

1 Rendering assistance (7)
5 Not loud (5)
8 Skinflint (5)
9 North African country (7)
10 White-ant (7)
11 Slack (5)
12 Removal of abuses (6)
14 Money chest (6)
18 Pays a visit (5)
20 French holiday area (7)
22 Game with hoops and mallets (7)
23 Hatred (5)
24 Minor actor in crowd scenes (5)
25 Esteem (7)

**DOWN**

1 Pet rodent (7)
2 Defeated contestant (5)
3 One who shoes horses (7)
4 Tightly clinging shellfish (6)
5 Ethical (5)
6 Rebuke (4,3)
7 Idle bee (5)
13 Quarrel (4,3)
15 Easily perceived or understood (7)
16 Let in again (7)
17 Public speaker (6)
18 Hidden store (5)
19 Finnish-style steam bath (5)
21 Chosen few (5)

**Solution 3798**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | T | A | R | C | H | ■ | A | B | A | C | U | S |
| N | ■ | V | ■ | L | ■ | ■ | ■ | R | ■ | R | ■ | I |
| A | G | I | L | E | ■ | P | L | A | T | O | O | N |
| T | ■ | A | ■ | A | ■ | E | ■ | H | ■ | W | ■ | G |
| C | A | T | E | R | E | R | ■ | M | A | N | S | E |
| H | ■ | O | ■ | ■ | ■ | M | ■ | I | ■ | ■ | ■ | D |
| ■ | ■ | R | E | F | R | A | I | N | E | D | ■ | ■ |
| C | ■ | ■ | ■ | A | ■ | N | ■ | ■ | ■ | I | ■ | B |
| A | S | P | E | N | ■ | E | X | P | L | O | D | E |
| R | ■ | U | ■ | F | ■ | N | ■ | E | ■ | C | ■ | A |
| O | U | T | C | A | S | T | ■ | A | G | E | N | T |
| L | ■ | I | ■ | R | ■ | ■ | ■ | C | ■ | S | ■ | E |
| S | I | N | G | E | R | ■ | A | E | G | E | A | N |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3598**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | | | 3 | |
| | | | | | | 8 | | 2 |
| | 7 | | 9 | | | | | 4 |
| | 8 | | 1 | 4 | | | 2 | |
| | 4 | 6 | | 3 | | 7 | 1 | |
| | 3 | | | 7 | 9 | | 4 | |
| 6 | | | | | 5 | | 9 | |
| 5 | | 8 | | | | | | |
| | 2 | | | | | | | 6 |

**Solution-3597**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | 3 | 5 | 7 | 2 | 9 | 1 | 4 |
| 7 | 4 | 5 | 3 | 1 | 9 | 6 | 2 | 8 |
| 2 | 9 | 1 | 6 | 8 | 4 | 7 | 3 | 5 |
| 6 | 2 | 7 | 1 | 4 | 8 | 5 | 9 | 3 |
| 5 | 1 | 4 | 9 | 3 | 7 | 2 | 8 | 6 |
| 3 | 8 | 9 | 2 | 5 | 6 | 1 | 4 | 7 |
| 4 | 3 | 6 | 7 | 9 | 1 | 8 | 5 | 2 |
| 9 | 7 | 8 | 4 | 2 | 5 | 3 | 6 | 1 |
| 1 | 5 | 2 | 8 | 6 | 3 | 4 | 7 | 9 |